ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯰꯸, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯵ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯵꯳ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

য়ূমশকৈশা, দিসেম্বর ০৮, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ২৫৩শুবা মশীং

# স্পিকরগী অচুম্বা খোঙথাংনি

## য়াদে হায়বা খঙহনগদবনি

অনৌবা মীখল অমা পাঙথোক্লমদাইদা পোলিটিকেল পার্টি অমদগী অমদা ফন-ফা, ফন-ফা তৌদুনা চোঙথোক-চোঙশিন তৌরকপা হায়বসিদি হৌনবীনি। লৈবাকসিদা চৎনরক্লিবা, ওইরক্লিবা পোলিটিক্স অমসুং পোলিটিকেলগী ওইবা মচৎনি। হেন্না ফবা, মপাঙ্গল কনবা, মীয়াম্না পাম্নবা মীখল মতুংদা লৈবাক্কী ৱায়েল থৌদা পায়রকপা ঙমগনি থাজবা পার্টিদা মৈরাম্বীনা মৈরিদা চোঙশিনবগুম চোঙশিন্নবগী থবকসি অদুম্মক তৌদুনা লাকই। হৌজিক ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখল পাঙথোক্লগদবা মতম নকশিল্লকপসিদা তৌরক্লিবা অসিনা অহানবা নত্তে। থবকসিদা মপাঙ্গল কল্লক্কদবা, কেন্দিদেট মশীং য়াম্না মায় পাক্লক্কদবা পার্টি অমবু শয়েং-পাম্বোম ঙানরিবা পার্টি অমনা নৎত্রগা খরনা মান্নরগা লাকথুদুনা চিংথুরগা থুগাইনবা হোৎননবগী অকনবা থবকশিংসু য়াওরিবনি। তৌজসনু, মাগী মাগী পোলিটিকেল পার্টিশিংগী, মীরেপ ওইগদবশিংগী অপাম-অপাম্বনি। লৈবাকসিদা চৎনরিবা লৈঙাক্লোনসিগী ওইবা মচৎনি। অদুবু নোংজু থাদা হঙোই খোংবদৌনা তৌনরক্লিবা থবকসিদা ইলেক্টেদ এম এল এশিংসু হেক-হেক য়াওশিন্নরকই। মতাংসি য়ৌশিল্লকপদদি কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী ‘টেন্থ সেদ্যুল’ হায়ব’মা লৈ হায়বসি কাউহন্নীংদে। সেদ্যুলসিগী চৎন-কাঙলোনশিং ঙাক্লা চৎহন্নীংই। ইন্দুনা ঙাক্তুনা চৎপসু চুমগনি হায়বগী ৱানি। মরমদি ষ্টেট অমগী খ্বাইদগী ৱাংবা লো মেকিং বোদি/ইন্সটিট্যুসন ওইরিবা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মেম্বর-এম এল এ অমনা লৈবাকসিদা চৎনরিবা লো মখূৎনা পায়দুনা থুগাইরোইদবনি। এম এল এমক্লা লো ভাইওলেট তৌরক্লগদি মীচম মীয়ামগী মরক্তগীসু লোবু পুনিংবা মায়কৈদা পুদুনা শীজিন্নবা য়াওরক্লোইদ্রা হায়বা ৱাহং চোঙথোরক্কনি।

চোঙথোকপীয়ু, চোঙশিনবীয়ু, অপাম্বতা তৌনবিয়ু, অফ-ফত্ত মশা-মশাগীনি। মানা তৌবনা মানা ফংবনি। করিসু কায়দে। অদুবু লোবুদি খোঙ্গাওনবা অমসুং ফুরিৎখাওদা হাপচিনবগী থৌওং চত্থরক্কনু হায়বনি। মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লিগী ১১শুবা মীখলদা কোংগ্রেসকী টিকেটতা কারকপশিংগী মনুংদগী ফনা য়াম্না চোংখ্রে। মখোয়গী মরক্তগী ‘টেন্থ সেদ্যুল’ গী ৱাংলবা, চেৎলবা পলদা পনবদগী মখ্বাং তেক্তুনা শল্লগা তাবসু য়াওখ্রে। খরনা তাফম চাদনা তাশিনবদগী দিসক্বালিফিকেসন মায়োক্নরবসু অমুক হৌগৎলক্তুনা বাই-ইলেক্সনদা কারক্তুনা মিনিষ্টর ওইবা ফাওবা য়াওরি। মানা-মানা ঙম্বা তৌনজবনি। পোলিটিক্স হায়বসিদি পৱারগী লাননি, শোক্লজসনু। অদুবু পোলিটিকেল পার্টি অমগী এম এল এনা অতোপ্পা পার্টি অমদা হেক্তা হোৎচিন্দুনা চোঙশিনবদি য়াদে। পোলিটিকেল পার্টিগী নত্তনা ইন্দিপেন্দেন্ট এম এল এ ফাওবগী মথক্তা হঙোইদৌনা চোঙলক্লবদি চোঙলিবা অশাংবা মখোঙদু ককথৎকদবা লো লৈ হায়বনি। অদুনা চোঙগে হায়রগনা হান্না এম এল এ ওইবদগী তোক্কদবনি। অদুগা অপাম্বা পার্টিদা চোঙগদবনি। মসিগীদমক কোংগ্রেসকী প্রসিদেন্ট ফাওবা ওইরমখিবা এম এল এ অমা এসেমব্লিগী মেম্বর ওইবদগী তোকপগী মথক্তা পার্টিগী মেম্বর ওইবদগী ফাওবা তোক্লগা পামজবা পার্টিদা চঙখি। মনা-মনিল নাইখিদে। অদুবু এম এল এ অমা ওইবগী প্রিভিলেজসু ফংনীংবা, এসেমব্লিগী মেম্বর অমা ওইবগী খুদোংচাবশিংসু পান্নগা অপাম্বা পার্টি অমদা চোঙশিন-চোঙশিননা কানবশিংসু হন্থহন্দনা ফংগে হায়বদুদি য়ারোই, দিসক্বালিফিকেসনগী থৌরবা থাঙশাং লৈ। হৌজিক য়োৎনা শোকপা হঙোইদৌনা খপ-খপ চোঙলগা লেনবা য়াওরিবসি কাউথোকপা চুন্নোই। লৈবাকসিগী লো লৈ, চৎনরি। মরম অসিনা হৌজিক থেঙলবসু থেঙনা ইলেক্সন ময়া নকশিল্লকপগী খুদোংচাবা লৌরগা অনৌবা পার্টি অমদসু চোঙশিনবা, এম এল এ ওইবগী ওইজ-ওইথকসু লৌগে হায়রকপা এম এল এশিংগী মথক্তা কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী টেন্থ সেদ্যুলগী মখাদা এসেমব্লিদা লিংলিবা ত্রাইব্যুনেলগী প্রিসাইদিং ওফিসর ওইরিবা স্পিকরনা দিসক্বালিফিকেসনগী থবক লৌখৎলক্লিবসি অচুম্বা খোঙথাংনি। ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না মীখলগী নোটিফিকেসন থোকপনা হানজিল্লক্লবসু স্পিকরনা য়াদে হায়ব’মা খঙহলহৌনবা থবক পায়খৎলকপসি তৌফম থোকপনি। কনামত্তনা লৈবাকসিদা চৎনরিবা লোগী মথক্তা লৈতে হায়বসি মমিৎতা খুদোম্বীনা থিল্লগা তাক্কদবনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩১

১) ***“শীঙেন নাচোম”*** হায়বা কুমজা ১৯৩৯দা অহানবা ফোঙখিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **“তমথীবা নোংলৈ”** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা, করি লোলগী লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **“ৱাখলগী মরোল মরোল নাইরবা চেনাশিং/আশাগী ৱাংখৎখ্রবা তেলঙ্গাশিং/কোয়লৈ কোয়লৈ/অকনবা নুংশিৎনা/হুমদোকখ্রি অসুম ইকুম ওইনা/থম্মোয়নুংদগী/মরূ ফূকখ্রি মঙলান য়াওনা।”** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগীনো?

৪) ***“পোইরৈ নাৎকী ৱারেং”*** হায়বা লাইরিকঅসিগী অইবা কনানো?

৫) ***“কেকু লোৎপী’*** হায়বসি অইবা কনানা ইবা, করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মালেমগী অহানবা অহিংবা, মচা পোকপা ঙম্বা রোবোট : জেনোবোট

**সাইন্সকী খোঙচৎ**

**কুঞ্জো নাওরেম**



ওইরোমদগীঃ Joshua Bongard, Michael Levin, Douglas Blackiston অমসুং Sam Kriegman

হৌখিবা চহীদা Tufts University অমসুং University of Vermont (UVM) কী বাইওলোজিষ্ট অমসুং কম্প্যুটর সাইন্টিষ্টশিংগী থিজিন-লূপ অমনা Xenopus laevis হায়না খঙনবা হঙোই মখলসিগী এমব্রিওশিংবু শেমদোক শাদোল্লবা মতুংদা য়াম্না পিকপা, মরোমদোম চাওখৎচরকপা ঙম্বা অনৌবা অহিংবা জীবগী মওংশিং শেমগৎপা ঙল্লে হায়বগী পাউদম অমা ‘প্রোসিদিংস ওফ নেসনল একাদেমি ওফ সাইন্সেস’ (জন্যুৱারী ১৩, ২০২০) তা ফোঙদোরকখি। অসিগুম্বা অহিংবা জীবগী মওংশিং অসিবু ‘জেনোবোট’ হায়না খঙনরকখি। জেনোবোটশিংনা টার্গেট অমা তম্না চৎপা, (অনাবা মী অমগী হকচাং মনুংগী অখন্নবা মফম অমদা পুবগী দরকার ওইবা হীদাক্তুম্বা) পেলোদ অমবু লৌখৎপা অমসুং ঈনবা অমসুং অতোপ্পা জেনোবোটশিংগা লোয়ননা, হয়িংখোইশিংনা চবুন-চবুন পাইবগুম্না, পুল্লপ পুন্না শান্নবা ঙল্লম্মী।

য়ু ভি এমগী কম্প্যুটর সাইন্টিষ্ট অমসুং রোবোটিক্স এক্সপর্ট Joshua Bongard না ফোঙদোকপগী মতুংইন্না জেনোবোটশিংসি তোপ-তোপ্পবা অহিংবা মেছিনশিংনি অদুগা মখোয়সি ট্রেদিসনল রোবোট নৎত্রগা শা অমগী মশক খঙলবা স্পেসিস অমা নত্তে, অদুবু আর্টিফেক্টকী অনৌবা কাঙলূপ অমা : অহিংবা, শেমদোক-শাদোকপা য়ারিবা ওর্গানিজম অমনি। অসিগুম্বা জীবশিংসি য়ু ভি এমগী সুপর কম্প্যুটর অমদা দিজাইন তৌখি অদুগা Tufts University গী বাইওলোজিষ্টশিংনা নৌনা শেমগৎলগা চাং য়েংখি। অসুম্না শেমগৎলকখিবা জেনোবোটশিংবু জেনেরেসন ১ জেনোবোটশিং হায়না খঙনখি।

মসিগী মখা তারকপদা, চৎলিবা চহীসিগী মার্চ থাদা থিজিন লূপ অসিমক্না সিঙ্গল সেলশিং (ষ্টেম সেলশিং) দগী মরোমদোম শেমগৎ-শাগৎচরক্তুনা অহিংবা জীব অমগী শক্তম লৌরকপা ঙম্বা জেনেরেসন ২ জেনোবোটশিং শেমগৎখি। জেনোবোটশিংদুনা চৎপদা তোংশাগী মথৌ তারমদে, অদুগা মখোয়গী নীংশিংবগী শক্তি লৈ হায়বসু খঙবা ঙমখি। জেনেরেসন অসিগী জেনোবোটশিংসিনা জেনেরেসন ১গী জেনোবোটশিংদগী হেন্না থুনা তোঙান-তোঙানবা অকোয়বগী ফীভমশিংদা চৎপা ঙল্লম্মী, অদুগা মপুন্সি শাংবসু হেল্লম্মী। মখোয়গী মশাদা অশোক-অপন য়াওরকপা মতমদা অশোকপদুবু মরোমদোম ফহঞ্জবসু ঙল্লম্মী। থিজিনবগী চেরোল অসি “সাইন্স রোবোটিক্স’ (মার্চ ৩১, ২০২১) তা ফোঙদোকখিবনি।




থিজিন লূপ অসিনা জেনেরেসন ৩গী জেনোবোটশিং পুথোরকপগী পাউদম অমসু ‘প্রোসিদিংস ওফ নেসনল একাদেমি ওফ সাইন্সেস’ (নবেম্বর ২৯, ২০২১) দা ফোঙদোরক্লি। পাউদম অসিগী মতুংইন্না, জেনোবোটশিংনা অপিকপা পুখম (দিশ) তা চৎতুনা সিঙ্গল ষ্টেম সেলশিংবু থিরকপা অদুগা মখোয় ময়াম পুশিন্নরকপা, অদুগা মখোয়না অমুক Pac-Man মানবা "mouth" মনুংদা ‘বেবি’ জেনোবোটশিং পুনশিল্লকপা, অদুগা নুমিৎ ৫নিগী মতুংদা মখোয়গা শক মান্নবা অমসুং মখোয়গুম্না চৎপা, অনৌবা জেনোবোটশিং ওইরকপা থেংনরক্লে হায়রি। অনৌবা জেনোবোটশিং অসিনা চৎথোরক্তুনা সেলশিংগা থেংনরকই অমসুং মখোয়গা মান্নবা কোপিশিং হন্না-হন্না শেন্নক্লম্মী। মতৌ অসুম্না জেনোবোটশিংনা মরোমদোম মচা পোকচরকপা/সেল্ফ রেপ্লিকেট তৌরকপদু থিজিন-লূপ অসিনা থেংনরক্লম্মী। অনৌবা সেলশিংসিগী হঙোই অমগী জিনোম লৈ, অদুবু তেদপোলশিং ওইরকপদি তৌদে, মখোয়না অঙকপা খরা পাঙথোক্লবগীদমক মখোয়গী কলেক্টিভ ইন্টলিজেন্স, প্লাষ্টিসিটি অমা শীজিন্নৈ হায়না Tufts University গী Allen Discovery Center গী দাইরেক্টর Michael Levin না ফোঙদোক্লি।

সেল ৩০০০ মুক্না শেম্বা জেনোবোট ‘পেরেন্ট’ না মরোমদোম স্ফিয়র অমা শেমজরকই। মখোয়না মচাশিং পোকই অদুবু মদুগী মতুংদগী সিষ্টমদু শিখি। সিষ্টম অসিবু অদুম মচা পোকহন্দুনা লৈনবা হোৎনবা হায়বসি অরুবা অমনি হায়না Tufts Allen Center অমসুং Harvard University গী Wyss Institute for Biologically Inspired Engineering গী পোষ্ট-দোক রিসর্স Sam Kriegman না হায়রি। অদুবু য়ু ভি এমগী Vermont Advanced Computing Core দা লৈরিবা Deep Green supercomputer cluster দা শীজিন্নরিবা আর্টিফিসিঅল ইন্টলিজেন্স (এ এল) প্রোগ্রাম অমগা লোয়ননা, আর্টিফিসিঅল অলগোরিদম অমনা সেলশিংদুনা চৎপা-খোৎপদা য়ূন্স্ফম ওইবা ‘কিনেমেটিক’ রেপ্লিকেসন্দা হেন্না ইফেক্টিভ ওইবশিং ফংহন্নবগীদমক - ত্রাইএঙ্গল, স্কৱার, পিরামিদ, ষ্টারফিশশিংগী হকচাংগী তোঙান তোঙানবা মওং মতৌ (বোদি শেপ) বিলিয়ন কয়াবু সিমুলেসন্দা চাং য়েংবা ঙমখি।

Kriegman না ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, ইহান হান্না শেমগৎখিবা পেরেন্টশিংগী শেপ অদুবু চুনবা মওংদা মতৌ করম্না শেমদোক্কদবগে হায়বগী মতাংদা য়ু ভি এমগী সুপরকম্প্যুটর শীজিন্নখি, অদুগা এ এল অদুনা Pac-Man মানবা মওং অমা য়াওনা, অঙকপা দিজাইন খরা পুথোরকখি। মসি য়াম্নমক থাজরমদবা অমা ওইখি, অদুগা য়াম্না চম্নসু উরম্মী হায়না মহাক্না হায়রি। অসুম্না ফংলক্লিবা মহয় অসিবু জেনেবোট পেরেন্টশিংবু শেমগৎলকখিবা, Tufts University গী সিনিয়র সাইন্টিষ্ট Douglas Blackiston দা থারম্মী। মতৌ অসুম্না Douglas না Pac-Man মানবা পেরেন্ট জেনোবোটশিংবু খূৎশেমগী পাম্বৈনা শেমগৎখি। অসিগুম্বা পেরেন্টশিংনা মচাশিং, মশুশিং, মশুগী মচাশিংগী শুরোলশিংদা মথং-মথং মচা পোকপা ঙল্লকখি। মসিগী ৱাহন্থোক্তি, অচুম্বা দিজাইন অমনা চারোল-শুরোল ময়াম অমা পুথোকপা ঙম্মী হায়বনি।

অসিগুম্বা পাউসি তাবদা কনাগুম্বা খরনা নুংঙাইরমগনি। অতোপ্পা খরনদি সেল্ফ-রেপ্লিকেটিং বাইওটেক্নোলোজি অমগী ৱাখল্লোন্দা চিংননা য়েংলকপা য়াই নৎত্রগা অকিবা পোকপসু য়াই। অদুবু থিজিন-লূপ অসিগী ওইনদি, মনুং হুঞ্জিন্না খঙবা হায়বসিনা পান্দমনি। মখোয়না ‘রেপ্লিকেসন’ হায়বা গুণ অসিবু খঙনবগী হোৎনখি। ঙসিগী মালেম অমসুং টেক্নোলোজিশিংসি থুনা হোংলক্লি, অদুগা অসিগুম্বা অহোংবসি মরু ওই; অদুনা মখোয়না মসিনা মথৌ তৌবগী মরমদা নৈনখি অমসুং খঙলকখি হায়না Bongard না ফোঙদোক্লি। অসিগুম্বা মিলিমিটরগী চাংদা চাউবা অহিংবা মেছিনশিংসি মাঙহনখিবা অমসুং মসিগী মরমদা ফেন্দরেল, ষ্টেট অমসুং ইন্সটিট্যুসনল ইথিক্স এক্সপর্টশিংনা ইরায় লায়না য়েংশিনবা য়াই। মতাংসিদা Bongard না হায়রিবদি হেন্নো খুদোংথীনীংঙাই ওইরিবসি মথংদা লাক্কদবা পেন্দমিক; পোল্যুসন্না ইকোসিষ্টমবু মাঙহনবা হেনগৎহল্লক্লিবা; ক্লাইমেট চেঞ্জনা কন্না অকিবা পোকহল্লক্লিবশিংসিনি। মসিবু লাকশিনবা, অপাম্বা মওংদা শীজিন্নবা, মাঙহনখিবা, হেন্না ফগৎহন্নবগী ফীভমশিংদু খঙনবগী পূক্নিংগী অচেৎপা ফিরেপ মখোয়গী লৈজে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোক্লি।

কোভিদ পেন্দমিক অমসুং ভেক্সিন পুথোক্লবগী হোৎনখিবশিংদুবু নীংশিংলগা Bongard না হায়, “সোল্যুসনশিংবু হেক ঙম্নমখৈ থুনা পুথোকপা হায়বসিনি তশেংনা মরু ওইরিবসি। জেনোবোটশিংদগী পারা অমা তমশিনহৌরগা, ঐখোয়না য়াম্না থুনা এ এল শীজিন্নবা ঙম্বা টেক্নোলোজিশিং শেমগৎপা ঙল্লবদি : য়াম্না কানরবা, এক্স অমসুং ৱাইবুনা মথৌ তৌহনবা অদুগা জেদপুনা নমথদুনা থম্বা বাইওলোজিকল টুল অমা পুথোকপগী মথৌ তাই। হৌজিক্কী ওইনদি মসি মতম য়াম্না চঙবা হায়বদু ওইরি।” থিজিন লূপ অসিনা সমস্যা অমবু য়াম্না থুনা খঙদোকপগা লোয়ননা মদুগী সোল্যুসনশিংবু হেক ঙল্লিবমখৈ থুনা পুথোকপা ঙম্নবগী পান্দম থল্লি - খুদম ওইনা, য়ামখ্রবা ঈশিংগী ঈরোন্নুংদা লৈরিবা মাইক্রোপ্লাষ্টিকশিংবু চিংথোকখিনবগীদমক অহিংবা মেছিনশিং শীজিন্নবা নৎত্রগা অনৌবা হীদাক লাংথকশিং অথুবা মতমদা শেমগৎ-শাগৎতুনা পুথোকপা। ঐখোয়না চেলেঞ্জ/সমস্যাশিংবু মায়োক্নরকপগী চাং অদুগা চপ হেক মান্নবা চাংদা টেক্নোলোজিগী সোল্যুসনশিং শেমগৎপগী মথৌ তাই হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোক্লি।

থিজিন লূপ অসিনা থিজিনবগী থবক অসিনা রিজেনেরেটিভ মেদিসিনদা য়াম্না খুমাঙ চাওশিনহল্লকপা ঙমগনি হায়না থাজবা থল্লি। করিগুম্বা মখোয়না পাল্লিবদুমক সেলশিংগী কাঙলূপশিংদুদা করম্না তৌহনগদবগে হায়না থৌদাবগী মতাংসি খঙলল্লবদি মদু লেপ্পমক রিজেনেরেটিভ মেদিসিন কৌবা য়াই - মদুমক ট্রোমাটিক ইঞ্জ্যুরি, বার্থ দিফেক্টশিং, কেন্সর অমসুং অহল ওইশিল্লকপগুম্বা সমস্যাশিংগী সোল্যুসনশিংনি হায়না লেভিননা মখোয়গী থিজিনবসিগী ঙাক্লৌ পীরদুনা হায়রি। অসিগুম্বা তোঙান তোঙানবা সমস্যাশিংসি থোরকপগী মরমদি সেলশিংগী করম্বা কাঙলূপ্পু মশক খঙদোল্লগা লাকশিন্নবগীদমক অনৌবা পাম্বৈশিং পুথোক্কদবগে হায়বসি খঙবা ঙল্লক খিদে। ঙসিদি জেনোবোটশিংসি লম্‌সিদা ঐখোয়বু তম্বীগদবা অনৌবা প্লেটফোর্ম অমা ওইরগনি। ●

# তুংলমচৎকীদমক চাওখৎ খোঙথাং -৫

**- চিংশুবম শ্যামজাই -**

ঐখোয়গী ইরমদম মণিপুর অসিদা পূন্না খুন্দামিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা কাঙলূপ খুদিংমক্কী থম্মোয়দা করিগুম্বা নুংনাংবা অমদি অৱাবা পোৎলম কয়ানা য়োমদুনা হিংনরি। পূম্নমক অসিগী হৌরকফমদি য়েলহৌমী ওইজরিবা কাঙলূপশিংগী মরক্তা ৱাখল তামিন্নদবা অমদি মীতোপ্না নোংম-নোংমগী মশীং অসুম অসুম হেনগৎলকপদগী মীতোপ্না য়োৎশিনখিগদরা হায়বা ৱাফম অসিনা তৎতনা অৱাবা ওইহল্লি। মীতোপ হেনগৎলকপগী ৱাফম্না তোঙান্না থমখ্রগা লমদমসিদা পূন্না খুন্দামিন্নদুনা হিংমিন্নরিবা তোঙান-তোঙানবা কাঙলূপশিংগী মরক্তা ৱাখল তামিন্নদবগী ৱাফম অমা লৈরিবসি য়াম্না মরু ওইবা হীরম অমা ওইরক্লি। পুৱারীগী লিক্লমদা হঙ্গৎনা য়েংলুরগদি ঐখোয় খুদিংমক ইমা অমত্তগী মচানি। পূন্না হিংমিন্নরম্বদগী মাগী মাগী হিংননবা হোৎনরকখিবদগী তোঙান তোঙানবা পুন্সিরোল অমদা লৈনখি অমদি মচিন মনাও ওইবগী ৱাখলদগী লাপথোক্নরকখিবনি হায়জনীংই। ঐখোয়না মতম পূম্নমক্তা চিন্দা হেক্তা হায়দোকখিবদা চীংমী-তম্মী হায়না হেক্তা হায়নৈ। মসিমক্না তাক্লিবদি চীংমী-তম্মী অনী অসিগী খায়দোক্লবা য়াদ্রবা মরী অমদি অদুমক লৈরি হায়বসি ময়েক শেংনা তাক্লি। লাই হরাওবদা, খুনুংগী ঈশৈদা অমদি পুৱারীগী ৱারী লিখুন কয়াদা চীংমী-তম্মী মচিন-মনাওনি হায়বসি ঐখোয়না খঙনরবা অমদি ককপা য়াদ্রবা ৱাফমনি।

মতম অমদা লৈঙাক্লোনগী অশোয়বা অমনা চীংগী মফমশিংদা য়েলহৌমীশিং পূন্না খুন্দামিন্নবগী অয়াবা পীরমদবদগী চীংমী-তম্মী অনীগী মরক্তা নুংশিনবগী মরী তপ্না তপ্না থাপতোকপা হৌরকখিবনি হায়জনীংই। চীংদা পূন্না খুন্দামিন্নবা য়ারম্লবদি মচিন-মনাও ওইবগী মরী অদু অদুমক লেংদনা লৈরমগদবনি। মসিমক্না ঐগী-মীগী হায়বা ৱাফম অমা থোরকপনি হায়জনীংই। পীকখ্রবা তম্পাক লমসিদা পূন্না হিংমিন্নরবসু অতম্না ঐগী মীগী খাইদ্রি মসিমক্না নুংশি চান্ননা হিংমিন্নবগী ৱাখল্লোন অসি কাইদ্রি হায়বসি ময়েক শেংনা তাক্লি। নোংম-নোংমগী মীগী মশীং হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা তোঙান তোঙানবা কাঙলূপশিংনা মাগী মাগী কাঙলূপ অদু ঙাকলৌ পীবা পাম্বদগী হোমলেন্দ তাল্লকপদগী ৱাফম অমা লৈরিবসি থাদোক্নরবদি মচিন-মনাও ওইবগী মরী অদু অমুক হঞ্জিনবা ঙমগনি থাজৈ।

মমাঙঙৈগী পুৱারীগী তাঙ্কক অমদা অমাং অশেংগী ৱাফম অমা লৈখিবদুনা ৱারৌখিবা অমদি মরী লাপথোক্নখিবগী ৱারী ঐখোয়না ময়েক শেংনা উরে অমদি তারে। ৱাফম অদুনা মরম ওইরগা নিংদোন পোম্নদুনা লৈবগী মহুত্তা ঐখোয় পূম্নমক ইচিন ইনাওনি হায়না মকা লাম্না লাউদুনা নুংশি চান্ননা হিংমিন্ননবগীদমক মাঙলোমদা চঙশিনমিন্নবগী মতম য়ৌরে হায়না খঞ্জে।

ইমুং-মনুং অমসুং মচিন-মনাওশিংগী মরক্তা ঙাইহাক শাওনবা হায়বসি হৌনশানি। তুংকোইনা শাওদুনা য়েক্লবা ওইনা খল্লবদি লানগনি হায়না লৌজে। মরম অদুনা সাইন্সনা খম থেংনা চাওখৎলক্লবা মতম অসিদা ঐখোয় মশেল পূনশিন্নদুনা চাওখৎপগী লম্বৈলসিদা শরুক য়ামিন্নরসি হায়না পাউমেঞ্জরি।

অহাঙবা শুন্দ্রংদগী অচৌবা পোৎশক অমনা মালেমসিদা পাইশিল্লক্তুনা মালেম অসি মাঙহল্লগে হায়বগী ৱাফম অমা লাকপা মতমদা মালেমসিদা হিংমিন্নরিবা মীওইবা খুন্নাই অসিনা খনগদবা ৱাখল অসি করিনো? ৱাফমসিমক মাঙদা থম্বীরগা লমদমসিদা পূন্না খুন্দামিন্নরিবা ঐখোয় পূম্নমক্না ঐখোয়বু মাঙহন্নবা অমদি য়োৎশিন্নবা হোৎনরক্লিবা মীতোপ মীয়ানচাশিংগী ৱাফম্না লূম্না লৌদুনা অমদি পূন্না থেংনমিন্নবগী ৱাফম্না মাঙদা থমদুনা ঐখোয় পূন্না খূৎশম্নদুনা চঙশিনমিন্নরসি ঐখোয়গী তুংগী মীরোলগীদমক। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## চৎনবীগী মরুমদা

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

তাইবঙপানসিদা ঐখোয় মীওইবনা মীথোই মীহেন্না হিংবা ঙম্নবা কন্না শু-নোমদুনা হোৎনরিবা ঙাক্তনি। অদুবু ৱানা নোমদুনা তাল্লিবা শেল অরেম্বদা কানদবদা মাঙহল্লি। শেঞ্জাও পায়বা অঙম অথৌশিংনা তৌবা মতৌ লায়রবা ঐনা মতুং ইল্লুবগী করিসু কান্নবা ফংলোই। ৱানা শু-নোমদুনা তাল্লুবা শেল অরেম্বদা মাঙহনবগী মহুত্তা নাদ-য়েক্তনবা অফবা মচি ওইবা চিঞ্জাক লৈদুনা চাবনা হেন্না কান্নগনি। অহল ওইরবা ঐখোয়না করিগী ইকায়গদৌরিবনো। য়ূমগী ফীভম য়েংবা তাবনি।

মতমগী চৎনবী নোংম-নোংমগী অসুম অসুম হেনগৎলক্লি , চাওখৎপা হেনগৎলকপা, লাইরিক লাইশু হৈবা হেনগৎলকপগী মতুংইন্না অহোংবসু লাকপা তাবনি। থৌদোক ৱাথোকসু তোয়বা তাবনি। কনাগুম্বা মীশক নাইবা মীওইশিংগীদি নোংমদা কর্ম্ম অহুম/মরিদগী তাদনা চৎলি। পোৎয়েংগা লোয়ননা পালাদা থানবা শেল, ভাবোক মমায় তাবা কন্না চৎনখৎলক্লি। মমাঙঙৈদদি হায়রিবশিংসি চৎনরমদে অদুবু ঙসিগী খুন্নাইসিদদি পুমওন ওন্নরে। কনাগুম্বা লৈবাক্কী ফম্নাইবা নৎত্রগনা শেঞ্জাও পায়বা মীওইশিংগী দেব কর্ম্মদা শেল থাবগী ক্যু লেপ্পা, ট্রাফিক জাম ওইবা শোয়দনা উবা ফংবীগনি। লৈকায়গী অহল ওইরবা ওইরবীশিং থৱায় য়াওবা হেনগৎলক্লি। ভাবক মমাঙদা ফমহৌনবা হায়দুনা ৱানা নাম শোন্দুনা লাক্লিবা পালাগা চপ মান্ননা ফংবগী চৎন-কাঙলোন কন্না চৎনখৎলক্লি। শোমদনা অরাংফমসু ৱারৌদবা নত্তে, দখিনা চাওনা লৌরি। তৌজসনু তৌবা ঙম্বা মখোয়না, তৌবা ঙমদবা ঐনা মখোয়গী মতুং ইনবগী মথৌ তাদে। মরমদি ভোট লেপকদবা মীওই ওইরগনা মহাক্কীদি তৌদ য়াদবনি, মীয়াম্বু পেলহনবা, মখোয়বু মশক তাকপা, খঙহনবা তাবনি। হৌজিক্কী মতমসিদা লাক্লিবা ভাবোক খুদিংমক শেল থাদবা য়াদে হায়বগী চৎনবী অমা ওইনা কন্না চৎনখৎলক্লি। মসি অরানবা ৱাখলনি। মতাং অসিদা কোভিদ-১৯না অমরোমদা মীবু কল্লি, মীবু শিবগী মশীংনা মাঙহনখ্রবসু। মণিপুরগী হরাও কুম্মৈ, লুহোংবা, সোরাৎ, চাকচা হৈজানবা, নাহুৎপা, নগুন থাংবা, ফিরোই, উৎসব তৌদ-য়াদবা খরদং তৌরগা পুংশিং তেন্না পাঙথোকপা য়াম্না কান্নখি খঞ্জে। কোভিদ-১৯ নঙসু ভোট লেপকদৌরিবরা, ভোট থাদবা য়াওদৌরিবরা পোলিটিক্সতা মায় ওনশিল্লকপগুম তৌরি। ভোটসি লোইখ্রগনা নহাক্না করম্বা ফীভমদা লাক্কদৌরিবা কিদবা ঙমদে। পূম্নমকসি ঐ ইশানা ইশাবু ৱাখল তাদ্রবদি করিসু কান্নবা ফংলোই।

কোভিদসু কোভিদ ওইনা অদুম লৈজরসনু, থম্বালসু থম্বাল ওইনা ঈয়াইদা শাৎতুনা লৈজরসনু। ভোট তোক্লসি, মখোয় হুম্ফুনা তৌবা কুম্মৈ য়েংলসি। ইরৈবাকপু নুংশিবা, মশাগী ওইজবা থাদোকপা, অহিংসা পুরকপা ঙম্বা য়াওবরা য়েংলসি। অঙাওবীগী চোইরোলনি খনবীয়ু, ৱারৌবীগনু, লাল্লবসু ঙাকপীয়ু।

***অদোমগী - কে মেমা, উরিপোক বাচস্পতি লৈকায়, ইম্ফাল***

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।